# ‘চীংজেং নারল পাঙ্গলবা’

- এল ইবোমচা -

ষণ মরূম শাবা অনী ময়ায়দা
লৈরিবা চীংদোন অসি কৌনু কৌবনি,
কৌনুগী অৰাং চীংদোন্না কৌব্রু কৌই
খাগী চীংদোন অসিনা লোয়ালাকপা কৌই,...!

অৰাং কৌব্রু অসুপ্পা, লাইয়াম খুন্দা অহানবা, স্নরিক মপাল শাবা, নোংথ্রৈ মউ লিংবা হায়না শিংথানরিবা মীগা-লাইগা শম্না অমগী মফৈদং খেন্নরিঙৈ মতমদা পূন্না খুন্থোক মীন্নরম্বা ইবুধৌ কৌব্রুগী মশাইকোল ওইরিবা চীংবু “কৌব্রু চীং” হায়রগা খঙনৈ। অদুগা মথক্কী ৰাহে অসিনা কৌব্রু চীংদোনগী লৈফমগী মফম তাকপা ৰাহৈনি।

ইবুধৌ কৌব্রুনা খুভম য়ারিবা কৌব্রু চীংদোন অমসুং অকোয়বা পূন্নমক য়েলহৌমী ওইরিবা মৈতৈ ঐখোয়গীদি শেংলবা লাইফমলেননি। মীরৈবাক্তা লৈবা গঙ্গা, যুমনা, সরস্বতি, বৃন্দাবন, নবদ্বিপ, হরিদ্বারনচিংবা তির্থশিংনা শেংবা হেন্দে। অদুগা মৈতৈশিংনা খুন্দাবা লৈকায় খুঙ্গংশিংদা পাক শন্না চহীগী পাঙথোক্লরিবা লাই হরাওবগী থৌরম খুদিংমক হরাউবা হৌদ্রিঙৈ মমাঙদা ইবুধৌ কৌব্রুদা হান্না হৈকৎ লৈকৎ তমদ্রবদি হরাওবা হৌনদে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি লাই হরাওবগী থৌরম অসি ইবুধৌ কৌব্রুগী মশাইকোন্দগী ইহান হান্না হরাওবা হৌদোকখি হায়না থাজনবা লৈবনা ইবুধৌদা হান্না তাক্তুনা খঙহনবা ওইগনি। কংলৈপুং ‘মণিপুর’ দা মায়কৈ ঙাকপদা, কৌব্রু, মার্জিং, থাংজিং, ৰাংব্রেল অদুগা কুম তম্বদা - কৌব্রু, কৌনু, লোয়ালাকপা অমসুং থাংজিং হায়না মরী মরী লৈ। মরম অদুনা কুম তম্বগী মায়কৈ খঙলগা কংলৈপুং ‘মণিপুর’ গী চহী অমগী খেন-চাং (মরাইবক) খঙবা ঙম্মী হায়না থাজ নৈ। শম্না হায়রবদা কৌব্রুনা কুম তম্লবদি, নোং চুই, ঈশিং চাউগনি। কৌনুনা কুম তম্লবদি অকপ খুদিংগী নোং চুই, ঈশিং ৰাৎতে। লোয়ালাকপনা কুম তম্লবদি, অখাক অরাও কল্লি। থাংজিংনা কুম তম্লগনা নোং লিকই অসুন্না থাজনবা লৈ। মায়কৈ ঙাকপা অমসুং কুম তম্বা অনীমক্তা কৌব্রুনা ওইবনা ইবুধৌ কৌব্রুনা খুভম য়ারিবা চীং অসি পুৰারীগা লাপথোক্লবা সুকয়ামক য়াররোইদবা চীংনি হায়বসিমদি তশেং তশেংলে। অদুগা মীগা লাইগা পূন্না খুন্থোক্তুনা লৈমিন্নরকপা ওইবনা নীংশিংবা থোক্ত্রিঙৈ আ মমাঙঙৈদগী হৌনা চহী খুদিংগী ৰাকচীংগী থানিল নুমিৎতা ইবুধৌ কৌব্রুগী থৌগল ফংলুনবা থানিল নুমিৎ নংননবা কৌব্রু চীং কাবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা চথদুনা লৈরি।

চীংখোংদগী অসুম অসুম কাখৎলকপনা ইবুধৌগী খুভম নকশিল্লি মতিক হৌরম্বা উ-ৰা, নাপি-শিংবী পূন্নমক মশা খরা খরা পীকশিল্লক্তুনা নেমশিল্লকই। অসুন্না অসুম কাখৎলকপনা ইবুধৌগী খুভম য়ৌগদবা কিলোমিটর ২/৩ গুম্বা খরা ৰাৎলিঙৈদা কোল্লপ তৌবা অচৌবা পুখ্রি অমসু লৈ, পুখ্রি অসি হেক উবমক্তদা হৌজিক মতমগী খঙ হৈরবা আর্কিটেক অমনা য়েকহল্লগা তৌহনবদগী হেন্না ফজগদবা মাল্লি। অদুগা য়াম্না ঙক্লিবা অমনা পুখ্রি অসিদা খোংনা ব্রু-ব্রু লাওনা খুকউমুক য়ৌনা পুখরুরবসু লৈকংদা হেক কাখৎলকপদা হকচাংদা লৈখোম অমত্তা পল্লক্তবা অসিনি। পুখ্রিদগীনা ইবুধৌগী খুভম য়ৌবা ফাওবগী খোঙ লম্বীগী নাক য়েৎতা ফম্নবা মোরা মানবা নাপীনা উরু-রু লৈশিনবা হাবুং পরেং পরেং লৈ। মোরা মানবশিং অদুদা ফম্লগা মীগা লাইয়ামগা পূন্না ৰা তান্নফম ওই হায়না মীয়াম্না পাথাং পুথাংদগী থাজনবা লৈবনা ইবুধৌগী থৌগল তৌরুনবা চীং কাখিবা মীওই অমত্তনা ফমগে হায়না খন্দবতা নত্তনা খোঙনা খূৎনা থেংদুনা শোক্লুনি পাখৎনৈ। চীংদোন্দা হৌরিবা ৰাশিং মরিল খুই, তৌরামুক চাওরগা নেম্মী, মতোল পুংই অদুগা মপাঙ্গলদি য়াম্না লৈ। চীং কারকপা কনাগুম্বশিংনা লাই ফত্তবা চংদনবনি হায়দুনা খূৎনা থুদেক্লগা নৎত্রগা থাঙনা কক্তুনা পুরক্লগা য়ূমগী শাইজিন শায়াদা অমসুং থোঙজিন্দা থেৎনৈ। অদুগা অঙকপা অমা হায়বা তারবদি অদুক্কী মতিক ৰাংখ্রবা চীংদুগী মতোন্দা লৈরিবা ইবুধৌ কৌব্রুগী খুভম য়ৌনবা কাবদা কনামত্তনা মচিন্দগী ‘অস-ওন্থোক্লা ৰাখ্রেদা’’ হায়না ঙাঙবা তাবদি লায়রদনা হকচাং না-য়েকপা তৌদ্রবদি নোংমৈসু কাবা ঙমজগে শোন্নবা ঙাক্তনি। মসিনা ওইরম্বা তাই, অমুক্তংবু ইবুধৌ কৌব্রুগী খুভম য়ৌরুদুনা থৌগল তৌরুরবা মীওই খুদিংমক চহীগী লাকপা ৰাকচিংগী থানিল নংননবা কৌব্রু চীং কাবা চৎখিবা শোয়দ্রে। অতোপ্পা অমনা কৌব্রু চীংগী চীংদোন্দগী মখাদা য়েংথখিবদা লোইরোই লোইরোই হাইথখিবা ইপোম নাইবা চীংমাইগী অরাপ্পদা তাম্না উরিবা পূক্লিং হুনা নিংথিনা ফজখ্রবা খুল মচা মচাশিং অদুগা তঈং তঈংবা মালংবা নুংশিৎনা পুরকপা অঙৌবা লৈচিল মফোল-মফোলনা কোক্তোন্দা খজিক্তংবু খেৎতুনা পাইখ্রবদি মীকুপ খরগী মনুংদা ঝম-ঝম চুরকপা নোংগী ঈশিংনা হকচাংদা য়ৈবদা ফাওখিবা নুংঙাইবদু কাউবা ঙমদবনসু ওইরম্বা য়াই...!

ঙসিদি ইবুধৌ কৌব্রুগী খুভম অসি য়েলহৌমী মৈতৈ ঐখোয়গী শেংলবা লাইফমনি খঙনরকপদগী মহৌশা অরাপ্পা মীরমগী লাইফমশিংদা ৰা-খৈ চৎতুনা লাই খুরুম্নরম্বা অদুগা গঙ্গাদা কুপ্লগা ‘ফূল’ থাদনরম্বদু তোক্লরক্তুনা কৌব্রু চীংদা লৈরিবা ইবুধৌ কৌব্রুগী খুভমদা ওইনা চৎলগা লাই খুরুম্নবগা লোয়ননা ইবুধৌগী পুখ্রিদা ‘ফূল’ থাদনরে। অদুগা চিন্থাং-পাউথাং ৰারীদগী হেন্দোরক্তুনা পুয়াদা অইবা ওইনা লাচন্দুনা লৈরবা পুৰারী অমা হায়বা তারবদি, ঈশিংনা থুমদুনা লৈরিবা তম্পাক্কী মফমশিং খয়ুম (লাই) অমনা ঈশিং চিংথোকখিবদগী কংলক্লবদা ইবুধৌ কৌব্রুগী মশাইকোন্দা খুন্থোক্লম্বা মৈতৈশিং কুমথরক্তুনা চেংলৈ শাগৈনা ইহান হান্না খাবা-ঙানবা হায়না ফুরুপ অনী খায়দোক্তুনা ‘খোঙজি নুংলাইবা’’ না নিংথৌ ওইদুনা নুংঙাই য়াইফনা পান্দুনা লৈবদু ইবুধৌ কৌব্রুনা উবদগী তম্পাক্তা লম হোংখ্রবা মচা, মনাও, মশু, ওইবশিংবু নীংশিংলক্তুনা অমুক হন্না চীংদা কাখৎলক্তুনা খুন্দারনবা হায়দুনা ঈশিং ঈফুৎনা ইচাও থোকহন্নবা লোক্তাক পাৎ শেমগৎলকই। ঈশিং ঈফুৎ মেন্দ্রবদি লোক্তাক পাৎ ওনখিবা তারে ৰাজরবা নিংথৌ ‘খোঙজি নুংলাইবা’ মশা য়াওনা মনাই মশন ময়াম্না থা অমা চঙনা ইফুৎ মেন্ননবা হোৎনবদা ঙমদ্রবদা নিংথৌ ‘খোঙজি নুংলাইবা’ গী অঙাং ওইরিবা মচা ইবুংঙোনা ইথা থাজদনা প্রপ-প্রপ লাক্লগা ইরায় লায়না অয়ূক্কী চাকচা মাঙদা ইফুৎ মেন্দুনা থিংবা ঙমখি। মাগী মপাঙ্গল মথৌনাদু উবদগী ইবুধৌ কৌব্রু পেনখিবগা লোয়ননা ইফুৎ মেনবদা লমজিংলিবা মপা ইবুংঙো নিংথৌ ‘খোঙজি নুংলাইবা’ য়াওনা কংলৈপুং মীয়াম্না মহাকপু ‘চীংজেং নারল পাঙ্গলবা’ হায়না মীংথোল পীরগা কৌব্রু চীংখোঙদা ফু হৌদুনা (চাক থোংদুনা) মীয়াম পূন্না চাক চামিন্নখি। লোয়ননা নুমিৎসিদগী হৌনা ইবুধৌ কৌব্রুনা মৈতৈশিং তম্পাক লমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈজরসনু হায়দুনা অয়েৎ-অপন পীখিদবগী ৰারী শিংবুল পুৰারী ওইনা পুয়াদা লাচন্দুনা লৈরি। অসুন্না ঐখোয় পূন্নমক্কী খুন্থোকফম অহানবনি হায়দুনা পুৰারী ওইনা পুয়াদা লাচন্দুনা লৈরবা কৌব্রু চীংগী মতাংদা কংলৈপুং ‘মণিপুর’ লৈমিন্নরিবা কনাগুম্বা খরনা থৌওই ৰাওইদনা থকসি-খাসি কায়বগী মওং মতৌ উৎপা হায়বসি কৌব্রু চীংগী অশেংবা মপু ওইরিবা ‘ইবুধৌ কৌব্রু’ দা মরাল লংশিনবনি হায়দবা ঙল্লোই। মরম অসিনা লংশিল্লুবা ইরাল কয়াদগী কোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি চেংলৈ শাগৈগী নিংথৌ ‘খোঙজি নুংলাইবা অমসুং শৰাং লৈমা ইবেন্মা’ অনীগী মপারি ‘চীংজেং নারল পাঙ্গলবা’ গী ৰারী শিংবুল খঙননবা হোৎনবদুনা চুমগনি হায়নীংই। ●

## ষ্টেটকী পাউ

# এন ঐচ-১০২গী ককৰা অসেম লৈকাই এরিয়াদা লম্বী শেম্বা লোইশিন্দবদগী উফুলনা শলাক শারে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৭(ঐচএনএস): নেসনল হায়ৱে-১০২গী ককৰা অসেম লৈকাই এরিয়াদা য়াম্না তোয়না নোং খিত্তং চুবদা ঈশিং থুমগনবা মফম পব্লিক ৰর্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি দব্লিয়ু দি)না হন্দক লৈবাক থোন্দুনা লম্বী শেম্নকপদা মীয়াম্না তরাম্না ওকই। অদুবু মতম শাংনা লম্বী শেম্বা লোইশিন্দবদগী উফুলনা লম্বীগী নাক-য়েৎতা লৈবা মীচম মীয়ামদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে।

হৌজিক লম্বী শেম্বা লোইশিন দনা লৈরিবা মফম অসি ককৰা অসেম লৈকাইদগীনা ৰাইখোম লৈকাই লৈরক অচৌবগী মথক ফাওবনি। মিটর ৬০০/৭০০ লোম শাংবা লম্বী অসি মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক ৰর্ক্স দিপার্টমেন্টনা নুঙচাক থাদুনা লম্বী অসি হান্না থোনগৎলবা মতুংদা মথক্তা রোল্লরনা হঞ্জিন-হঞ্জিন তক্তুনা লম্বী শেমজিল্লকপা ফনা কুইরে। লম্বীগী নাক-য়েৎতা লম্বী শেম্বা লোইশিন্দনা লৈরিবা অসিনা হায়ৱে অসিদা গাড়ী য়াম্না কুঙনা চৎপনা উফুলনা শলাক শারে লোয়ননা মনাক নকপদা লৈরিবা মীওইশিংগী মনুংদা অঙাং অমদি অহল য়াওনা উফুলনা মরম ওইদুনা লোক খুলাই থুংবা য়াওনরে হায়না মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লম্বী শেম্বা লোইশিন্দ্রিবা ফাওবদি উফুল হৌদনবা ঈশিং তোয়না চাইবা মথৌ তাই হায়রি। হৌজিক লম্বী অসিদা গাড়ী য়াম্না চৎপনা মরম ওইদুনা উফুল য়াম্না হৌবদগী গাড়ী মচা টু-হুইল্লর অমদি ফোর হুইল্লর থৌবা কাঙবুদি অয়াম্বনা ককৰা কৈথেল ফাওরগা থোঙাম লৈকাই ফাওরগা শীংজমৈ পার্কিংদা ফাওরগা চৎনরি। হায়রিবা লম্বী অসিসু পোটহোল য়াম্না লৈবনা মরম ওইদুনা লম্বী অসিদসু গাড়ী থৈদোক-থৈজিন তৌবদা খূদোংচাদবা কয়া থেংনরি। মরম অদুনা লম্বী শেল্লিবা হায়ৱে মতেক অসি অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা কোইলাস থাবীদুনা মীয়াম্না থেংনরিবা খূদোং-চাদবা অসি কোকহনবীনবা হায়রি।

---

ঐখোয়গী / অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা য়াম্না কন্না হাক্কৎচবা, খোঙ মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা, খজিক্তং হাম্বা, অমাংথোঙ ময়াদা হৰাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অনী পোমথোকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থজিন শাওগৎপা ফহনবগী ওজা **Zia-Ul-Haque** পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মরম ওইদুনা অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা য়াম্না কন্না হাক্কৎচবা, হাক্কৎচবা অদু খাঙবা ঙমদদুনা খোৎপা মতমদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু খোঙ হাম্বদা য়াম্না থুপ্পা, খোঙ মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা, খজিক-খজিক হাম্বা খোঙ মপূং ফানা হামদোক্তবা তারগদি হকচাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ মপূং ফানা হামদোক্লবা হোৎনবদা হকচাংদা অৰাবা ওইবা, খোঙ মপূং ফানা হামদোক্তবনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থজিন শাওগৎপা অমদি থবাক নাবা, করিমত্তা চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, খোঙ হাম্বা তারগসু অকনবতা ওইনা হাম্বা, হামেং মথিগুম্বা মরূ-মরূ মরক-মরক্তা হাম্বা, মনাংসু য়াম্না য়াওরকপা, তিনকুপসু থোক্লকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৰাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অনী পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থরকপা, শৌজ অদু মশানা হনগৎখিবা, মতম খরা লৈরগা নান্থবা শৌজ অদু মশানা হনগৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, দোক্তরদা চৎলগা য়েংহনবা মতমদা নান্থবা শৌজ কিশিন্দবা য়ারোই হায়না কিশিল্লুরবা মতুংদা অমুক হন্না নান্থরকপা, হকচাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্ড ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম : 1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **O. Debakanta Singh**
Thoubal

HL-B/7796/8

---

## / JOB FOR FRESHERS

ISO 9001:2015 Certified organisation amagidamak Imphal amasung Manipur gi major District singidamak oigadaba official Post 67 athubagi oina thabak koujari, Thabak asigidamak Class X, XII, Graduation pass toukhraba amadi tamliba student faobanasu apply toubiba yagani.

| | | |
|---|---|---|
| Age Limit | : | Below 30 yrs. |
| Income | : | Rs. 5,000/- to 37,000/- (P.M) |
| Facility | : | Fooding + Lodging Available |
| Visiting Hour | : | 12 noon to 3 pm. |

**NO DEPOSIT SYSTEM**

Apply toubiningbasingna athuba matamda ishagi Biodata ga loinana athuba matamda tanabiu.

HL-P/3742/ 31,4,8 **Contact : 9774986962, 8812023893**

---

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

**Ref. : Mut. Case No. 583/SDC/IW/H of 2022**

1. Pukhrambam Subadani Devi W/o Pukhrambam Indradev of Sangaiprou Mamang Leikai.
2. Pukhrambam Kanheiya S/o -do- of -do-

-Vs-

Late Pukhrambam Inaocha Singh S/o Tomcha Singh of ISKON Complex.

**/ NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 7th September, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 45-Sangaiprou পাট্টা নং 64 (অরিবা) 159/1094 (অনৌবা)গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 130/684 (অনৌবা)গী এরিয়া 0.03820 একর চাওবা Phourel লৌফম অসিগী পাট্টাদার/ Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 14/09/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৰাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/4045/8

---

## / KHANGHANJABA

"Women's Development Welfare Association" registered address Langthabal Kunja asi "The Village Development Association", Kangmong Tongbram Leikai haina onjaragani maram asina kanagumba yetpiningba leirabadi ngasidagi numit 5 (mangani) gi manungda yetpiba yagani. Masigi matungda lakpa wakat loujaroi.

Sd/- **Purnima Devi**
Secretary, # 9362113035

HL-P/3774/8

---

## / REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Registration Certificate of Class XI & XII bearing Registration No. 8298 of 2022 issued by COHSEM on the way between Khurai Lamlong and Khuman Lampak on 5th Sept., 2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Kiyam Nobinchandra Singh**
Khurai,
# 7628047661

HL-P/3834/8

---

## / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৰাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, যুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, যুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/7793/11/8-11/9

---

## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, BISHNUPUR

**/ NOTICE**

**02/09/2022**

It is hereby informed that, **"The Bishnupur District Wushu Association, Thounaojam"** having "Regd. No. 21/B-SR/1991, Dt. 17th May 1991" a special General Body Meeting will be held on 18/09/2022 at 10.00 am sharp to preside by *Shri, K. Jiten Singh (Inspector Coop. Societies) & Shri, M. Newton Singh (Insp. Coop. Societies)* at the premises of *Thounaojam Community Hall,* Nambol Thounaojam.

On this said meeting all members of the Bishnupur District Wushu Associations members should present in time and no responsible of any objection for absentees.

**Agendas :-**

1. Approval of Associations audit statement of account.
2. Election of new managing committee members.
3. Enrolment of new members, and
4. Cancellation of expired committee members.

Sd/-

**1. K. Jiten Singh** (Inspector Coop. Societies) **2. M. Newton Singh** (Inspector Coop. Societies)

HL-P/4039/8

---

## / PAINTING COMPETITION

লাক্লিবা 23rd September, 2022 দা Manipur State Museum, Deptt of Art & Culture গী 53rd Foundation Day গা মরী লৈননা State Level Painting Competition অমা পাঙথোকচগনি। Competition অসিদা group অহুম থোক্লা খায়দোকচগনি।

মদুদি :-

| Group | | Theme |
|---|---|---|
| Group A (Class III to V) | :- | Any Theme of your choice. |
| Group B (Class VI to VIII) | :- | Our Culture |
| Group C (Class IX to XII) | :- | Cultural Heritage of Manipur |

**Every Groups**

| | | |
|---|---|---|
| Cash prize | : | 1st, 2nd and 3rd Position |
| Consolation prize | : | 10 participations. |
| Certificate | : | every participants. |

অকুপ্পা মরোলগীদমক Manipur State Museum দা office hour গী মতমদা লাকপীদুনা খঙবীরবা য়াগনি।

Last date of Form submission will be on 22nd Sept., 2022.

Sd/- **CURATOR,**
Manipur State Museum
Imphal

HL-P/4041/8

---

## / অৰাবা ফোঙদোকপা



য়াইস্কুল কেন্দ্রগী ওনরেবল এম: এল: এ: অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ওইরিবা শ্রী থোকচোম স্যতবর্টা সিংহগী অপোকপা শ্রী থোকচোম বীরচান্দ সিংহনা খঙহৌদনা হৌখিবা তাং ৩/০৯/২০২২, ইং, থাংজ নুমিত্তা মশাগী অনাবা অমনা নোঙ্গাখিবদা শ্রীমতি লৌক্রাকপম ওংবী তোম্বী দেবী, এক্স কোর্পোরেটর, ৱার্ড নং ২০, আই এম সী, য়াইস্কুল কেন্দ্রনা লুচিংবীদুনা ৱার্ড অসিগী বি জে পি বুথ কম্মিটিগী কার্যকর্টাশিং অমদি মহাকপু শৌগৎপীবা মীওইশিংগা লোয়ননা মহাক মশাগী, ৰাংখৈ পুখ্রম্বম লৈরক্তা লৈবীগী ময়ূমদা ঙসি তাং ৭/০৯/২০২২ ইং, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ৮.০০ তাবা মতমদা অৰাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

লৈখিদ্রবগী থৰায়না ঈশ্বরগী মফমদা ঈংনা-চিক্লা, শান্তি ওইনা লৈরুবা ওইরসনু অমদি মহাক্কী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী অৰাবদসু শরুক য়াজরি। ওম: শান্তি।

অৰাবা ফোঙদোকচরিবী :
**শ্রীমতি লৌক্রাকপম ওংবী তোম্বী দেবী**
এক্স কোর্পোরেটর, ৱার্ড নং ২০
য়াইস্কুল কেন্দ্র

ইম্ফাল,
তাং ৭/৯/২০২২

HL-P/4040/8

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SALAM : IMPHAL WEST

**Ref.:- Mut case no. 122 Dated 6/9/2022**

Phurailatpam Amoli Sharma S/o (L) Phurailatpam Devadatta Sharma of Keishamthong Top Leirak. -Petitioner

-Vs-

Late Sanabam Shamochandra Singh S/o (L) Chandra Singh Top Leirak. - Opposition Party

**/ NOTICE**

The 6th September, 2022

Under Section 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার Sanabam Shamochandra Singh S/o (L) Chandra Singh of Top Leirak কী মিংদা লৈবা সলাম তহশিলগী খুল নং 74-Maklang গী অনৌবা পাট্টা নং 244 (New) দাগ নং 96 এরিয়া 0.98000 একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌনিংলবদি অইবা চেগা লোয়ননা তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

HL-P/4042/8

---

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

**Ref. Mutation Case No. 205/SDC/(WKG) of 2022**

**Date : 05/09/2022**

App :- Sapam Khamba Singh S/o Sapam Angahal Singh of Thongam.

-Vs-

Opp :- (Late) Sapam Chandra Singh S/o S. Angahal Singh of Kakching Khunou Thongam.

**/ NOTICE**

Dated, 05/09/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 82-Thongam পাট্টা নং 215/349 দাগ নং. 4/61 এরিয়া 1.25 একর চাওবা তাওথবী অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৰায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/4043/8

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR

**Ref. Mutation Case No. 427/SDC/Bishnupur, 2022**

Thoudam Modhuchandra Singh S/o Th. Ibochaoba Singh of Ngaikhong Siphai. -Petitioner

-Versus-

(L) Thoudam Subol Singh S/o (L) Thabal Singh of Ngaikhong Siphai. -O.P.

**/ NOTICE**

Bishnupur, the 7-09-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Late Thoudam Subol Singh S/o (L) Th. Thabal Singh of Ngaikhong Siphai দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 35-Ngaikhong Khullen পাট্টা নং 279 (অরিবা), 348 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নং 2304 গী মনুংদগী 1.49 একর অপূনবা 2.98 একর চাওবা তাওথবী অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৰাকৎ লৌরোই, কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur

HL-P/4044/8

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR

**Ref. Mutation Case No. 428/SDC/Bishnupur, 2022**

Thoudam Meghachandra Singh S/o (L) Iboton Singh of Ngaikhong Siphai.

-Versus-

(L) Thoudam Subol Singh S/o (L) Th. Thabal Singh of Ngaikhong Siphai.

**/ NOTICE**

Bishnupur, the 7-09-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Late Thoudam Subol Singh S/o (L) Th. Thabal Singh of Ngaikhong Siphai দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 35-Ngaikhong Khullen পাট্টা নং 275 (অরিবা), 348 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নং 2304 গী মনুংদগী 1.49 একর অপূনবা 2.98 একর চাওবা তাওথবী অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৰাকৎ লৌরোই, কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur

HL-P/4044/8

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR

**Ref. Mutation Case No. 429/SDC/Bishnupur, 2022**

Thokchom (O) Memma Devi W/o (L) Chaoba Singh of Bishnupur W/No. 3. - Petitioner

-Versus-

Thokchom Chaoba Singh S/o (L) Mukta Singh of Bishnupur W/No. 3.

**/ NOTICE**

Bishnupur, 7th September, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Thokchom Chaoba Singh S/o Late Mukta Singh of Bishnupur W/No. 3 দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং ৩৭-বিষ্ণুপুর খা পাট্টা নং ৫৭৬ (অরিবা) ৪০৬ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ১৪৯ গী ১.২৪ চাওবা ফৌরেল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৰাকৎ লৌরোই, কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur

HL-P/4044/8

---